# নেশনল ফার্মরস দেনা লাকপসিদা ৱাখলসিদা করিগুম্বা খরদি মোংলক্লি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***... শম্পোৎ খোয়বা লৌমীনা/মতম অসিদা হৌদুনা/লৌবূক মায়কৈ পাংখরে/শম্পোৎ মাঙদা থাদুনা/অর তি তি লাউদুনা/লাঙ্গোল য়োৎলম ফাৎলক্লে/শম্পোৎ শাজৈ থাখরে/ইমাগী ইবুংঙো হৌগৎলো/নচীন নয়া শেংলরো/নশম ননা হাত্তোক্লো/লাইরিক মাঙদা থাদুনা/নঙসু লাইরিক পাররো/নোংমগী শিন্থা পাঙলরো...।***

অঙাং ওইরিঙৈ অহানবা স্কুল কারকপদা তম্বীরকখিবা শৈরেংনি। কুইমনখিদুনা ময়েকসি অশোয়বা য়াওরম্বসু য়াই, পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি। অ, আ, ক, খ ময়েকশিংগা লোয়ননা অমা-অনীনচিংবা ইবা অমদি চীনফা থীবা ঙম্লবা মতুংদা চীনফা পুহল্লকখিবা শৈরেংনি। হায়বা য়াই, লাইরিক তম্বা হেক হৌগৎলকপদা ঐখোয়গী কোকসিদা চূশিন্দুনা লৈখ্রবনি। কয়াদা মগুণ লৈখ্রবনো। মতমদুদি চীনফা পুজখিবৈ ৱাখক্লি, হাক্লা কূপথনা খঙখিবা নত্তে। ঙসিদি খঙলক্লে শৈরেংনা লৌমীশিংবু ফিদমগী মশক ওইনা য়েক্লি হায়বসি। ***ঙন্না তূম্বা ঙন্না হৌবা হকচাং ফনবগী লাইৱানি*** হায়না অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা পাউতাকসু লৈ। অহিংগী মতম লোইখিদুনা নোং ঙাল্লে হায়না তাক্লিবা শা-উচেকশিংগী শৈরোলবু মরিংগী য়েনবানা খোংলকপা, চরোয় তেতুনা খোংলকপা, ক্বাক্লা লানবাউ চেল্লকপনি হায়না শৈথা শৈরেং থম্বীরম্মী। অসুম্না য়াহৌ ঙনবী নোংমগী মথৌ শিন্থা কায়দনা পাঙলিবী মমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু হৌদোকপা মতমদা মথৌ মশক খঙবা লৌমীশিংবু শীংথারিবা শৈরেংসি কয়াদা নুংশিরিবনো, থাক কয়াদা ৱাংখ্রবনো! লৌমীশিংগী পূন্সিবু মশক খঙবীবনি, মখোয়বু ইকায়খুম্নবনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। করিগীসু ইকায়খুম্নরোই, ঐখোয় পূম্নমক মখোয়গী হুমাংমল চাদুনা হিংলিবা নৎত্রা? মখোয়না মথৌ মশক খঙনা নোংজু-নুংশা খায়দনা শু-নোম্বদুনা ঐখোয়গী চাকখুম মৈ মূত্তনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবনি।

মীওইবগী পুৱারী খোঙচৎ অমুক্তং হঙ্গৎতুনা য়েংসি। য়োৎকী খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নবা হৌরকপগা লোয়ননা লৌউ-শীংউবগী থবক জর-জর চাওখৎলকই। সিভিলাইজেশনগী খোঙহৌসু লাকখিবনি। লৈঙাক্লোয়শিং, ফম্নাই তুনাইবনচিংবা কোনুংগী মপান মচুম চাবা ফংবশিং লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌবশিংনা লন-থুমগী মপু ওইদুনা খুন্নাইদা মশক থোক্লা হিংলম্মী হায়বা য়াই। মদু ওইদুনসু লৈবাক্কী খুন্নাইগী পূকচাক তাল্লিবদি লৌমী-শিন্মীশিং নত্তনা কনানি হায়সিগে? অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা পাউরৌ অমসু লৈ - ***কুমজেং কোকফাইনা মৰূম থুগদবমখৈ থুরগা মনঙ্গন্দা মচা পুই*** হায়বদুমক্লি লৌমীগী পূন্সি। শুবা য়াবা শুরবসু নোম্বা য়াবা নোম্লবসু মখোয়না পুথোক্লিবা পোখোক্কী মপু ওইবা ঙমদবা লৌমী মশীং লাকঙমদনা লৈরি। মখোয়গী হুমাংমলগী চূপ্লি পায়রিবদি অৱাংবা থাক্তা লৈবনি খঞ্জরিবশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।




ঙসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা য়েংবদা চেঙ-চাক, গেহু, হৈ-রা, মনা-মশিংনচিংবা মহৈ-মরোংশিং পুথোক্লিবা লৌমীশিংগী পূন্সি অসি পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরি হায়বা য়াই। মখোয়বু হন্থবা মীৎয়েংগা লোয়ননা য়াম্না নেম্বা থাক্তা থম্বীরি হায়বসি চুমদে, লাল্লি হায়রক্কদবা মী ইরৈ লৈতে। হায়না-হায়না মশাগী লৌ লৈজবশিংগী ওইনদি খজিক্তং শাফরি হায়বা য়াই। কনাগুম্বা লৌ য়াম্না লেপশিনবা ঙম্বা কাঙবুদি ফৈ। অদুবু মখোয়দি লৌমী কৌবা য়ারোই। লৌয়াম চাবা লৌশান থাদোক্তুনা লৌমীগী হুমাংমন্দা হিংলিবা ইনাক খুনবনি। য়াম্না ৱানা হিংলিবসি মশাগী মিংদা লৌ ইঙ্খোল লৈজদবা মীগী লৌশান উরগা হিংবশিংনি। মসিদগীসু অমুক্কা হেন্না শাথীনা অৱাবা ফীভম মায়োক্নরিবনা মীগী খূৎনেক শুরিবা কাঙবুনি। লৌমীশিংগী ফীভমসি কয়ামুক য়াম্না শোক্লবনো হায়বসি চহী খুদিংগী ইন্দিয়াগী মফম মফমদা মশা মথন্তা শিজবা লৌমী কয়া য়াওরিবসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। মপূম থীৎখৈ শুরবসু চরা অনী শুনা চাবা ফংদ্রবা অদুগা মীগী লন্দোম থুমদোনগী মৈনা মৈৱায়রকপনা হিংবগী থৌনা পূম্নমক চাকথেকখিবনি হায়নীংই।

কুমসিগী নেশনল ফার্মরস দেগী থিমদু য়েংবীয়ুনে -***Rising Food Demand & Economic Growth Imperatives*** হায়বসিনি। হোয় তৌববুদি থিম অসিগী মখাদা লৌখৎপা থৌরাং থৌশিলগী মনুং চন্না লৌমীশিংদা শক্তি পীবগী মতাংসু য়াওইকো। লৈঙাক্কী ওইবা ***দ্রোন দিদি*** থৌশিল মতুংইন্না নুপী লৌমীশিংদা শক্তি পীবগী অহেনবা মীৎয়েংসু থল্লি, মায় পাকপসু ওইসনু। অদুবু হংনীংলিবদি আ মনুং হঞ্জিন্না লৈবা লৌ ইঙ্খোল মচা-মচা শুদুনা শেন্থোক লম্বী তাল্লিবা লৌমীশিংদা লৈঙাক্লা করি করম্বা মীৎয়েং থম্বীরিবগে হায়বসিনি। মতম মতমগী ওইনা থোরকপা খুদোং থীবা থৌদোক কয়াবু মায়োক্লবা ঙম্নবা মপূং ওইবা থবক ইরৌ লৌখৎত্রি হায়বা য়াই। সুংতৌ তৌবীদে হায়ববুদি য়াদে অদুবু লৌমী খুদিংমক্তা য়ৌহনবা ঙমদে হায়জবনি। খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌখৎহন্নীংবা অমদি লৈ। শেঞ্জাও পায়বশিংনা মপু ওইবা ফেক্টরিশিংদগী পুথোরকপা পোখোকশিংগী মমলদি অরেপ্পা ওইনা কৈথেলদা য়ৌরকই। করিগুম্বা মতাংদা ওফর নোংফর লৈবদুনা অমনি। অদুবু লৌমীশিংনা পুথোকপা ফৌ-চেঙ, আলু, তিল্হৌ, কোবী, হঙ্গাম, হৱাইদগী হৌরগা পোৎলম খুদিংমক্কী মমল অরেপ্পা লৈব্রা? অকা অকুম শান্নদুনতা লৈবা নৎত্রা? লৌমী অমনা ফৌ তাইবা মতমদা ফৌগী মপু মানা মমল লেপ্তে, ৱানগদৌরিবা মীদুনা মমল লেপ্পী। পোইনুদা মশানা মমল হুল্লগা হোঙনা ৱানখিবা মহাক্লা অতাঙথাদনা মশানা মমল লেপ্তুনা তাইথোকই। অতাঙবা ৱান্দুনা চারিবশিংগী মনুংদা পোইনুদা শিং তেংনা তাইথোকখ্রবা লৌমীদুসু য়াওরিবনি। মনা-মশিং, ঙা-চাক, হৈ-রাগী মতাংদসু অদুমঙায়। কয়াদা তোনবা ফীভমদা থল্লিবা লৌমীগী পূন্সিনো!

অদুবু মসিমদি হায়নীংই, ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীনি হায়না ঈরাৎচরিবা নোংপোক নিংথৌ অমদি পান্থোইবীসু লৌ উদুনা তাইবঙ চীঞ্জাক পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মদুননি মীওইবগী পূন্সিরোলগা শাগোন্নরিবা উমংলাই হরাওবা থৌরমদা তাঙ্খুল শাবগী থৌরম য়াওরল্লিবসি। লৌয়ান জগোয়গী শরুক্নি। মোইরাং অকোংজাম্বগী শুমাঙদা ইনাক খুঞ্জরো, ফৌগৈ লনগৈ চোঞ্জরো হায়না ফৌনা চীং পৈবগুম পৈদুনা থম্বীরম্বদু অতৈ কনাসু নত্তে, লোইমোম ফৌগী লাইরেম্বী ফৌওইবী ইমানি। ঐখোয়গী লৌমীশিংনা শুরি-নোল্লিবসিবু পঙশু শুবা পঙনোম নোম্ব্রা? ফাইরেন মঙানি পানবা লৌতাবদগী হৌরগা কৈদা ফৌ হৈজিনবা ফাওবদা ঈরাৎ থৌনি ময়াম অমগা ঈরোয়নরিবনি। লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা লাইরম তীল্লম খঙবা লৌমীশিংনি। মসি খঙনা লৌমীশিংবু ইকায়খুম্নফম থোকই। মখোয়বু ইকায়খুম্নদবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইবু থৌওই উশিত্তবনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। ঙসিসে নেশনল ফার্মরস দেনি। লৌমীশিংগী য়াইফনবা খন্দ্রবা, মখোয়গী থাক ৱাংখৎনবা থৌশিল কয়াবু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি নুমিৎ অসিবু মমিংতগী থৌরম ওইনা পাঙথোকপনদি করিসু কান্নরোই। থৌরমগী ৱাহন্থোকসু লৈরোই। লাইরেন মমীৎকুম্বা থৌনা লৈবা পূন্সি মমল খঙবা ফার্মর খরদি ইরমদমসিদা লৈরে। অদুবু মখোয়বু পূক্নীং থৌগৎপা করি করম্বা থৌশিল লৈঙাক্লা পুথোকখ্রবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। ফুল মার্ক পীবা য়াবা পাউখুমদু মীয়াম্না পাম্নগদবা মাল্লি। ●

# নুপীলানগী পোষ্ট মোর্টেম

- নবকুমার ওইনা -

ঐখোয়না ইশাগী পুৱারীবু কয়া য়াম্না ময়েক শেংনবু খঙবা ঙম্লবগে হায়বসি ৱাহং ওইরক্লবনি। লানবা নৎত্রগা মীনম্বা খরা য়াওখ্রবদি করি অমুক কান্নগদৌরিবা? কান্নে হায়না খল্লিবদুনা কনা ওইগদৌরিবা? এরোপ্লেন শোয়রবদি মী খরা শিবা য়াই, পুৱারী শোয়রবদি মী কয়া শিগনি? শোয়দে-লান্দে ঙাক্তা, লান তৌনবদা শিরিবা মীগী মশীংসি কয়াদি শুরম্লগনি। ৱাথোক খুদিং লান থোকহনবা চুম্ব্রা?

অৱা-লান্দা বৃটিশকী মতেং লৌরুরে, করাম চাউবা হায়গেরা, মালেম শিনবা থুংনা চৎলগা মচাক-মরল থিবা অদুদি ফত্তবনি হায়বা য়াদবসু লৈগনি। হৈনবীনি, শাজৎ অমনি হায়বা তাবনি। নুংশিননা লৈমিন্নরে হায়বদি য়াদে ১৯০৪দা মথি ফোংলকই। মী হায়বসি তূমিন্না লৈয়ু য়াগন্দবনি। য়ূম খরা মৈ চাকপা হায়বসি মুন্না খঙবা ঙমদবা ৱা মচা-মচা লৈবা য়ারিবনি। মপাঙ্গল কনবা শারগা কবোদগী উ য়াল্লুচো হায়বসি ঙসি ফাওবা চৎনরিবা অমনি। নম-নমদুনা শেল পীদবা য়াদবা ময়াম লৈরিবা লমদমনি। চুম্মী হায়বা নত্তে।

চফুগী উয়ানগী কেনবা, মচা-মশু খৎন-চৈনবা কয়া মরক্তা, সনাতোম্বী বোরশাহেপ্তা ওংখি। থৌদোক অমনা ৱারী কয়া লিরি। কুমজা ১৮৯১দা অঙম তান্নরক্লে ইংলিস মচা মঙা হাৎখ্রে, ত্রাইএল তৌখিদে, মোব জষ্টিসকী অচৌবা ৱাথোক ওইখি। মনুংদা করি মলোম লৈনবনো হায়বা ৱাহং কয়া লৈরিবনি। খোংজে াম লানগী পোরম ওইখ্রে, এপ্রিলদা মণিপুর মীখা পোল্লে। সুরচন্দ্রনা কৌশিল্লুবা বৃটিশনা মচিন-মনাও, মপা-মচাশিং হাৎখ্রে, লৈবাক মুৎলেদনা।

অঙম অথৌনা হায়বা থাজগনবা মীয়ামনি, বৃটিশ মচাশিংসু নুংশিবা ঙমদে। কুমজা ১৯৩৯ পোইনুদা চেঙ ফংদে, চেঙ চানীঙাই লৈতবদগী শিবা নাবা য়াওরকপা হায়বসিবু কদায়ফাওবা চুম্লবনো? শেঞ্জাও পায়বা চেঙগী মিল লৈবশিংনা ফৌ ৱানশিনখিবনি হায়বা য়াওরি। মুন্না নৈনবা অমা চংলি, ঈশিং চাওখিব্রা, ঈকং থোকখিব্রা হায়বদি ফৌথোক হন্থখিব্রা? খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চেঙ-ফৌ ফংদ্রগা মণিপুর শিনবা থুংনা চেঙ তাঙলবগুম লৌরদ্রা? নম্বোলদা, মোইরাংদা, ককচীংদা ফৌগৈ অচৌ-অচৌবা মচি লেঙদনা লৈনবা মতমনি। কদায়দনো অমা হেঞ্জিন্না ৱানশিনবা অমা য়াওখ্রবরা চিংনবা লৈগদ্রা? বৃটিশ মচাশিংদুনা হায়খি, চেঙ থাদোক-থাজিন মখোয় য়াওদে, নিংথৌনা তৌবনি। নবদ্বিপতা লৈখিবা নিংথৌদা পাউ পীনবা টেলিগ্রাম তৌখো হায়না বৃটিশ মচাশিংদা থৌদাবা য়াব্রা? নিংথৌনা করি তৌরি হায়বসি মীয়াম্না মুন্না খঙখিব্রা? ইরাবতকা নিংথৌগা য়ানরক্তুবা মতমনি, নুপীশিংনা লান তৌরগা কছারদগী ইরাবত কৌথোকই হায়বসিবু লোজিকেল্লি নুপী ময়াম্বু করি ওইনা উগদৌরিবনো? ওভর-ওল ৱাথোকসি কনানা কন্ট্রোল তৌবগে? ৱাথোক চাউনবা শিনবা য়াওব্রা? ইন্দিয়াগী ঈরাংদা মণিপুর য়াওদবা য়াদে হায়বা লৈব্রা? বেঙ্গলি ঙাঙলগা বেঙ্গলগী তুং ইনগদৌবনি খনবা চুমগনি খনব্রা? ইন্দিয়াদা য়াওরব্রা?

ষণ গাড়ীদা ফৌ পুরকপশিং হৈদোক্লগা মাঙহনবা চুম্মী খল্লিবা করিগীনো? খুঙ্গংগী মীওইশিংগী থুম-থাও কমদৌনা লৈরগা চাগনি। য়ূম অমদা পুশিল্লগা থম্বসু য়াই, শেল পুথোক্নরগা ফৌদু ৱানবা করি তৌই হায়বগে? খুঙ্গং-ইম্ফাল খায়বগী ৱাখল্লোন য়াওখিব্রা? ঐগী চেঙ ফংদবদা খুঙ্গংগী থুম ফংদবদি খঙদে হায়রিব্রা? লৈমিন্নসি-হিংমিন্নসি হায়বসি কোক্তা লৈগদৌবনি। শাজত্তা য়াওদ্রবদি নুংশিবা নত্তে হায়না লৌনগনি।

ৱাথোক অমা থোকপদা খুঙ্গংদা শেল খায়বগী চৎনবী লৈরি। লান মতমদুদা লমশাংদা চৎলগা চেঙ ৱানবা, বমদিয়ারদা চৎলগা চেঙ লৌরুবা, ওইনাম-নম্বোলদা চৎলগা মরী-মতাগীদা য়ারেক্তুনা লৈরুবা কনা য়াওখিবগে? চীংদদি ফৌ কয়া য়াম্না লোক্লগা পান-মাইরেল চারগা লেনবা য়াওখিদব্রা? খ্বাইরম্বন্দগী ৱাথোক্লা মণিপুরগী ওইনতা উখিবা য়াওব্রা। ইবনা শোয়বরা দ্রামানা শোয়বরা, তাবদা থাজবা ঙমদবা ৱাঙম য়াওবগুম উরক্লি। দ্রামা-লীলা খরনা লৈবাক্কী দাটা য়াওদনা ইশিনবা মানবা য়াওব্রা? মীনা করি খনগনি, করি খল্লি হায়বসু খন্নবা চুম্মী খল্লি। ইশা-ইশানসু খঙনফম থোকই হায়গনি।

হৌখিবা লান নীংশিংনবদি কল্লে, তৌগদৌবা লান্দি খঙলবা মান্দ্রি। লান অমা তৌবা ঙম্বা-ঙমদবা হায়বসি হান্নগী লানদু ঔরাইরগা য়ারগনি হায়বা অকক্লবা মরম লৈবসু নত্তে হায়গনি। লোন হায়বসি চেকশিনবা তাবনি। 'ইরাবতকী লমজিংদা ১৯৩৯গী নুপীলান' হায়বসিবু ইরাবতনা মাঙ থারগা চৎপগুম্না লৌবসু য়াবা ৱা মাল্লকপদুনি। মীয়াম্না 'বন্দে মাতরম' লাউখি হায়বসিবু লোন খঙবগী চুম্না লাউরিব্রা, ইন্দিয়াদা পুল্লি হায়রিব্রা। মণিপুরদগী বৃটিশ তাল্লগা ইন্দিয়াদগী বৃটিশ চৎখিবনি হায়গদৌরিব্রা? ইন্দিয়াদগী বৃটিশ চৎখিবদা মণিপুরদগী চৎখিবা মশানা তাবনি খঙবা য়াওখিদব্রা? ময়ূম-মরমদমসু নত্তবা মীওই খরনা নুমিৎ চূপ্পা কোয়শিল্লগা থল্লবদবু করি খনগদগে? থৌনা অদুবু হায়রিবা, ফম্নাইবা অনী থৌরী য়াল্লগা হাৎপদা য়েংলগা লৈবা ঙল্লিবনা করিগী? লাল্লি হায়বা নত্তে, অসুম্না কুপথনা য়েংবসু কান্নবা লৈগনি হায়বদুনি। লান কয়া অসুম নীংশিংলগা লৈবনা কয়া য়াম্না কান্নবা ফংলবগে? কান্নবদু লায়রি, করিগী নীংশিংলিবনো?

শিবা কিবা হায়বসি পাঙদবা নত্তে, চেকশিনবা তাবনি, শিদনবা হোৎনবা হায়বসি মথৌনি। খোইহি লোকপা হৈবা মীনা খোই মহুমদা চৈনা থিল্লগা শান্নবা তৌনদে। ইরাবতকী মতমদা মীয়াম্না মালেমগী ৱাথোকশিং খঙবা ৱাৎলি হায়বসি পন্নে, ঙসিসু কয়াবু য়াম্না খঙবা ঙম্নরবগেনে? ইশাগীনা করি তৌগনি খঙনদ্রি, হৈতবগী ৱাথোক ওইনরিবসিনি। মমৈথংদা ইরাবত কম্যুনিষ্ট ওইখি হায়নরে। নুপীলানগী মতমদা নুপী কয়া কম্যুনিজম খঙবা য়াওরবগে, ঙসিসু নুপী কয়া কম্যুনিষ্টনি হায়বা লৈরবগে? চন্দন থিল্লবদি কম্যুনিষ্টনি হায়বা থাজদে। কোংগ্রেসনা ইরাবত থাগৎপসি 'দুম লকক-লকক তৌবা মাল্লি। নুপীলানগী মতমদগী ইরাবতকী মতিক মঙম থাগৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংগী থাক শোকপা য়াওরকপ্রা? মণিপুর হায়রগা তম্পাক মতেক খরনা লোইরগদ্রা?

মতমদুগী লৈঙাক্লা তৌবা থবক মখৈ অরানবা ওইনা উবা চুমগদ্রা? টেক্স খোম্বগী ৱাদুনা অমনি, ঙসিগী আর এস এসকুম্না ব্রহ্ম সভা হায়বা অমা লৈবদুদি উদবগুম তৌবা চুমগদ্রা? অদুগা বৃটিশ মচাশিংদা পঙতায়দা তায়নবা মানবা লোজিকেল্লি করি ওইনা উবা তাবগে? নিংথৌগা ইরাবতকা য়ানরক্তবগী ফিলোজোফি খেন্নরকপসি নুপীলান মতমদা মশক থোক্লা খেন্নরক্লবনি। চুম্না চেঙখক্তগী ৱাথোক ওইনা উবসু য়ারক্তুবা মতমনি। ঙসি ফাওবদা দেমোক্রেসি হায়রিবসি ময়েক ঈশেং শেংদে, খুন্নাই অসিগী ৱাখলগী থাক অসিগা চানবা ঙমদ্রি। ইরাবতনদি কম্যুনিজম পাল্লম্বনি হায়রবসু মীয়াম্না মুন্না খঙদবগুম লৈনরি। নুপীলানগী মতমদগী নুপী খুন্নাইগী ৱাখল্লোন্দা কন্টিন্যুশন অমত্তা লৈত্রবরা, অমুক রিকন্সত্রক্ট তৌগদৌবা নত্তে, দিকন্সত্রক্সনগী তঙাইফদবা লৈরি। ●

# শনাবী ফিল্ম নম্বদা - ১

- গুরুময়ূম নির্মল -

প্রসাদ ফিল্ম লেবোরেটরিদা ফিল্মগী প্রিন্ট ঙাইরি। মশম-মকোই খাকপা নহা অমা লেব চীফ সিভরামনগী কাদা চংলকই, ঐগী নাকলদা লৈরিবা অহাঙবা চৌক্রিদা ফমথৈ। সিভরামননা ঐবু শক তাকই।

Sunny Sir, This is Nirmal. He works for Aribam Shyam Sharma, the famous film personality, Nirmal he is Sunny Joseph, a very promising camera person for Kerala.

'Very nice meeting you sir, I'm a great fan of Aribam Da, I've seen many films including Imagi Ningthem at FTTI, I am delighted to know you'.

নুমিৎ অদুদগী ঐগা সন্নি জোসেফকা খঙনখি। ইম্ফালদা থোক্লক্লগা ইবাইদা পাউদু তম্মী। মতমদুদা ইবাই, ইমাশি বিনোদিনিগী 'শ্রীবোন চিংগী তম্নলাই' ফিল্ম স্কৃপ্ট ওন্থোক্তুনা 'শগোল সনাবী' এন এফ দি সী মুম্বাইনা এপ্রুভ তৌদুনা ফিল্ম নম্নবা কন্না হোৎনরি। ইবাইনা হায়, ঐ মাবু খঙই, অফবা সিনেমাটোগ্রাফরনি। হন্দক্তি মঙোন্দা ফিল্ম অসি নমহল্লসি টেলিফোন তৌ ঐগা ৱারী শাগে। ঐনা টেলিফোন তৌই। সন্নিগা ইবাইগা ৱারী শানহল্লি। মাগী কন্দিশন হায়ববু, এসিষ্টেন্ট কেমেরামেনগা লাইটকী ক্রুদি মহাক্লা পুরক্কনি। মখোয় মঙা লাক্কনি হায়বদা য়ান্নরে। সাউন্দ রেকোর্দিষ্ট এফ টি টি আইদগী পাস তৌরকপা চনমথাবম দিপক রোইনা ওনবা লেপ্লরে। ইবাইগী হন্দক্কী ফিল্মসিদি খরা চাউনা শিন-লাংদবা য়ারোইদৌরি। ঐসু ইবাইদা ঐগী ইতেং পাংবীনবা মী অমা থিগে হায়বদা ইবায়না য়াবীবদগী ঐখোয় লৈকায়গী ইনাও হাওবম রোনেলদা 'থবক শংলদি ইবাইগী ফিল্ম নম্বা য়াওশিদনা' হায়রুবদা হরাও হরাও য়াবীরকপদগী ফিল্মগী থবক য়াওবা হৌখি। মহাক ঙসিদি মীয়াম্না শকখঙলবা ফিল্ম প্রদ্যুশর/দিরেক্টর অমসুং ফিল্ম এক্টিভিষ্ট অমা ওইরে। থেঙ্খাং কয়াদা ফিল্মগী নেশনল জ্যুরিসু ওইরুরে। ইরোম মাইপাক, সাইখোম ইবুঙোবী, কেমেরা এসিষ্টেন্ট ওইখি। বাচস্পতিময়ূম সঞ্জু, মহেসনা দিরেক্সনদা মতেং পাংখি। দিপক রোইগী মতেংনা মাগী লৈকায়গী মনাও রঞ্জন কৌবা অমনা পাংখি।

লোকেশন থিবদা অৱাবা অমা ওইখি। ষ্টিল কেমেরা অমা পায়দুনা কোইচৎ চৎতুনা নুমিৎ ১০নি হেন্না চংনা ইবাইনা পাম্বা লোকেশন থিখি। মণিপুর তম্পাক্কী অকোয়বদা স্কুটর অমা তোংদুনা এল গোপালগা কোইনা চৎখি। ঐখোয়বু ফিল্ম স্কৃপ্টতু পাহল্লি, চান্নবা মফম থিনবা। উচিন নাচিন্না ইবাইনা পামজবা লোকেশনদু ফংলে। 'মনা ইঙ্খোল', লৌবুক্কা তাইনবা চীংয়াগী লম্বী ময়াদা লোইরোই লোইরোই চৎখিবা উগী থোং হেক লান্থোক্লগা য়ূমদোমপোক ওইনা লৈরিবা শুমাং, শঙ্গোই অমসুং ইঙ্খোল লৈরিবা য়ূমদু 'সখি' গী য়ূম ওইনবা খল্লে। 'মঙ্গি' গী য়ূমদি লমশাংদা লৈবা লাই ইমোখোইগী য়ূম্না শারে। লাই ইমোগী পাবুংদো য়াম্না মমিং চৎলি কোইতোম্বী কৌই। শগোল কাংজৈ য়োকখৎচবা মীশক্লি। সন্নিগা মহাক্কী ক্রুশিং কোলকটাদগী এরোপ্লেননা ইম্ফালদা থুংলরে। লৈফমদি মতমদুগী হোটেল ইম্ফালদা কা ১০ ৱাইদুনা লৈরে। মতমদুদা ঐগী লৈকায়গী ইয়াম্বা লাইময়ূম তা-চাউবনা হোটেল ইম্ফালগী মেনেজর ওইরম্মী। মঙ্গি শাবা দেবেন, সখি শাবী আর কে সুসিলা, সুসিলাগী মপা শাখিবা ওজা নবকুমার, মঙ্গিগী মরুপ শাখিবা গোপালনচিংবসি শগোল তোংবা ঐগী মরুপ (বাইঙো) গুরুময়ূম রাজেন্দ্রোনা থা অমুক তম্বীখি। মাগী মতেং পাংখিবনা থাংমৈবন্দদগী শগোল কাংজৈরোই দেবাননি।

ঐগী ইখুরা গুরুময়ূম তোম্বনা অঙাওবা অমগী শক্তম লাংখি। ৱাহেংবম লৈকায়গী ঐজ্ঞা গুরুময়ূম লালাসু লৈকায়গী অহল অমগী শক্তম লাংখি। শক্লাইরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট তখেল্লম্বম নোবোকুমার মীয়াম্না ওকচিনলাকপা শাবা হায়না খঙনবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগীনা সখিগী মপা শাখি। ইচেমা ইন্দুনা মমা শাখি। জামিনিনা ফি-ফনেক লল্লোনবী অমগী শক্তম লাংখি। এম দি য়ুগী আর্টিষ্ট চজিংদগী হাওরোংবম দেবেননা মঙ্গি শাখি। আর্টিষ্টশিং অমদি ফিল্ম ক্রুশিংসু হোটেলদা লৈহল্লে। ৱাঙ্খে অঙোম লৈকায়গী মীয়ামগী ইমা পিশক লৌরেম্বম পিশক, ফিল্মসিদা মঙ্গিগী মনে শাখি। ফজনা এক্টিং তৌখি। নাগামপালদগী ঐজ্ঞা অঙৌসু সিন অমদা ষণ মাঙখ্রবা খুঙ্গংগী অহল অমগী শক্তম লাংখি। থাংমৈবন্দদগী ইবাইগী থিএটর আর্টিষ্টশিং তা-কুমার, তা-গোপাল অমসুং তা-ইবোয়াইমসু শরুক য়াখি। নুপী আর্টিষ্টশিং আর কে সুসিলা, ইচে ইন্দু, ইচে জামিনিদি ময়ূম ময়ূমদগী ঐনা অমুক অয়ূক্তা লৌরুই অদুগা হোটেলগী কা অমদা মেক-অপ তৌহল্লি। ইম্ফাল মনুংগী নুপা আর্টিষ্টশিং অমদি ফিল্ম ক্রুশিংসু হোটেলদা লৈহল্লে। ফিল্ম নম্বা হৌরে। ●